# পি আরগী নোংঙানবা নাইদ্রবা অমম্বা অহিং অমদা মণিপুরীশিং মঙলাক্লরকপা য়াই

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট হায়বা ফম অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি মসিদগী হেন্না থাক ৱাংবা অতোপ্পা লৈঙাক্কী ফমথোল অমা হায়বদু অমুক লৈত্রবনি। প্রাইম মিনিষ্টর'স ওফিস (পি এম ও) নৎত্রগা কেবিনেটকী রেক্কোমেন্দেশন মতুংইন্না মহাক্কী থবক খূদীংমক পাঙথোকপা ওইরবসু প্রসিদেন্ট অমা হায়বসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুস্নেল হেদনি, মরম অসিনা প্রোটোকোলগী মতুংইন্না ভেরি ভেরি ইমপোর্টেন্ট পর্সন (ভি ভি আই পি) শিংগী মনুংদা প্রসিদেন্টনা খ্বাইদগী মকোক ইথং থংনা লৈ, অমসুং মহাকপু ফর্ষ্ট সিটিজন ওফ ইন্দিয়া হায়নসু খঙনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না য়াম্না লূম্না অমদি লুনা ইকায়খুম্নে।

হৌজিক অসি মণিপুরদা লৈরিবা অরিবা মীওই ফূরুপশিং, মরু ওইনা মীতৈ অমসুং নাগানচিংবা খূদীংমক্কী পুক্নীংদা ঐখোয় অসিবু ইশাগী শক্তম ঙাক্লা হিংদুনা লৈবা ঙমখিগদ্রা অমদি মপান্দগী হুমজিল্লক্লিবা য়ৈখায়-থুগাইবগী কল্লবা নোংলৈ-নুংশিৎ মরক অসিদা কয়াম কুইনা হিংদুনা লৈবা ঙমগনি হায়বা চনীং-চমাঙ শম্নদবা ৱাহং অমা হংনরক্লবা মতমনি। হোরেল-হয়েং মফম খঙদনা, তম্বা ঙমদ্রবা পুন্সি মহীং অমদা হিংনরিবা ফীভম অসিদা ৱাখল খন্থবা ঙল্লবা মীপূম খূদীংমক্লা খঙনা খঙনা, উনা উনা ঙাকথোকপা ঙমদ্রবা অকনবা নোংলৈ অমা খা-চীক্তুনা মায়োক্লরি। হায়রিবা মণিপুরী খুন্নাইগী লুরবা মতম অসিদা ইকায়খুম্নজরবা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা দিসেম্বর ১২দা মণিপুরদা লাক্তুনা ৮৬শুবা নুপীলান নীংশিং-থৌরমগী খুভমদা কোক নোন্না হৈকৎ-লৈকৎ তল্লম্বা হায়বসি মণিপুরগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি। মসিগুল্লবা প্রসিদেন্টকী তাঙলবা খোঙচৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা চহী অহুম ফানীংচীৎ চথরক্লিবা মীতৈ-নাগা অমসুং কুকি নার্কো-টেররিষ্টকী লান অসি লোইশিনহন্দুনা, লাঞ্জেন্নরিবা ইন্টর্নেল্লি দিসপ্লেশদ্ পর্সন (আই দি পি) শিংবু চাং মান্ননা মশা-মশাগী য়ূমদা হঞ্জিনহনবগা লোয়ননা, মণিপুরবু মহৌশাগী মতৌগুম্না কাঙলূপ মশেল নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা লমদম অমা হায়বদু শোয়দনা ওইহল্লকপা য়াই হায়না মীয়াম্না নিনফুং-নিনফুং ঙাঙনরি।

হন্দক্কী প্রসিদেন্ট মুরমুগী খোঙচৎ অসি, কুমজা ২০২৩গী মে ৩ মতুংদা খূৎ থোক্লরিবা কাঙলূপশিংবু থেমজিন্নবগীদমক্তা দেল্লীদগী থারকখিবা ভি ভি আই পিশিংগী খোঙচৎশিং অদুগা মান্নদবগুম্না উই। মখোয় অয়াম্বনা ইম্ফালদা থুংলবগা লোয়ননা চুড়াচান্দপুর নৎত্রগা কাংপোকপী অনী অসিগী মরক্তগী অমা নৎত্রগা অমদা চৎনখিবা ঙাক্তনি। দিষ্ট্রিক্ট অনীমক অসিদা চৎখিবা ভি ভি আই পিশিংসু য়াওখি। ষ্টেট অসিদা য়াম্না থাজদবা মওং অমদা লাকখিবা পি এম নরেন্দ্র মোদিসু ইম্ফালদা আই দি পিশিংগা উন্নরল্লবা মতুংদা চুড়াচান্দপুরদা চৎখি। অসিগুম্বা ভি ভি আই পিশিংগী অমগা অমগা ইমান মান্নবা খোঙচৎ মওং অসি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অদুদদি উবা ফংখিদে। মহাক নুপীলানগী নীংশিং-থৌরম য়াওরল্লগা সেনাপতি তম্না চৎখি। মহাক্কী খোঙচৎ অদুদা সেনাপতিদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈবা কাংপোকপীগী আই দি পি খরগা উন্নখিবা তারবসু কাংপোকপী নৎত্রগা চুড়াচান্দপুর অনী অসিদদি চৎপা তৌখিদ্রে।

কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদগী চুড়াচান্দপুরদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীতৈশিংগী মথক্তা পাক্তক্লনা হাৎপা-তূপ্পগী থবক ইহান হানবা ওইনা চত্থবা হৌরকখিবা জোমিশিংনা 'মীতৈ ফূরুপকী মনুংদা লৈবা হকচিনবা কাঙবুশিংগী' মথক্তা মীওই লীশীং কয়া ময়ূম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনবগী মরাল শীবগা লোয়ননা জোমি কাউন্সিলগী মায়কৈদগী, মুরমুনা মণিপুরদা লাকপদা চুড়াচান্দপুরবু নাথৈদুনা থম্বীরম্বগীদমক্তা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। কাংভাই অমসুং তোর্ব্বুংদা নাকল অনীমক্কী ওইনা মীশি-মীনা থোকহনখিবা অমদি মীশীং য়ামদবা মীতৈশিংবু মথ্বায় হিংনবা শাফগদবা মফমশিংদা লাঞ্জেন্নহনখিবা থৌওং অদু কাঙলূপকী ঈরাংনি হায়দবা ঙমদে। অমরোমদা, করিগুম্বা উংখৎনবগী ফীভম অমত্তসু লৈখিদবা, ঈংনা-চীক্লা লৈরম্বা চুড়াচান্দপুরদা মীশিং লীক্লা খুন্দারিবা মীতৈশিংগী মথক্তা য়াম্না থাজদবা মতৌদা ইখঙ খঙহৌদনা অমসুং অতম্ননা লান্দাখিবা অদুসু অরোনবা এজেন্দা অমগী মখাদা নীংথিনা খুজিল-থৌরাং তৌরবা থৌওং অমনি। কুমজা ১৯৭১গী মতমদা মীতৈশিং অসি চুড়াচান্দপুর টাউনদা পাইতে অমসুং মার হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অনী অসিগী হেক মথংদা অহুমশুবা, খ্বাইদগী হেন্না মীশিং য়াম্বা কাঙলূপ ওইখি অদুবু, কুমজা ২০২৩দদি মীতৈনা মাইনোরিটি ওইরে। মতম অমগী অপূনবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট ওইরিঙৈ কুমজা ২০১১দা পাঙথোকপা মীকোক থীবদা কুকিশিংনা পাইতে কাঙবুদগী মীশিং য়াম্বগী চাং খংহেন হেনগৎলকপগা লোয়ননা মার কাঙবুনা অহুমশুবা থাক্তা লৈখি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপশিংগী মরক্তা মী মশীংগী ওইবা অহোংবা অমা লাকখিবা অসি কুমজা ১৯৯২-৯৭তা থোকখিবা নাগা-কুকি হাৎন-শুনবগী থৌদোক অদুগী মতুংদা হেংলেপ সব-দিভিজনদা অঙকপা ফংনা মীশিং হেনগৎলকপা মরমদগীনি। কুকিশিংনা মখোয়গী মীওই মশীং হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগা য়ূম্লোন্নবা ম্যান্মারগী চিন ষ্টেটতগী লোনা অয়াবা পীদবা মীতোপ কয়ামরুম মশীং থীঙমদনা চঙহল্লকপা মরম্না চিন ষ্টেটকী মীশিং য়াম্না হন্থরক্লে হায়বা রিপোর্টশিংসু লৈরি।

জোমি কাউন্সিলগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অসি চুড়াচান্দপুরদসু লাকপীনবা হায়জবদা তাবীখিদবা অসিনা কুকি-চিন মীয়ামগী নীংবা কায়হনখি। কুকি ইনপি সদর হীলসনা থৌওং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা উৎতুনা তম্পাক্কী মতৌগুম খোঙচৎ বোইকোট তৌখি। চহী অহুম শুরক্লবা কাঙলূপ অনী খূৎ থোক্লবগী ঈরাং মনুং অসিদা দেল্লীদগী লাকপা ভি ভি আই পিগী খোঙচৎ অমবু কুকি-জো কাঙবুগী মকোক থোংবা লূপ অমনা বোইকোট তৌবা হায়বসি হন্দক্কী প্রসিদেন্ট মুরমুগী খোঙচৎ অসিনা অহানবনি। অদুম ওইনমক সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুরগী বি জে পি এম এল এশিংবু কৌরক্তুনা দিসেম্বর ৭তা দেল্লীদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল লিদর বি এল সন্তোশ অমসুং সম্বিত পাত্র অনীনা, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম থুগাইরগা তোঙান্না তাজরগে হায়না দিমান্দ তৌরিবা অসি কান্নরোই, মদুগী মহুত্তা ফূরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা হান্নগী ফীভম অদুদা ইঞ্জিনহন্নবা পূন্না হোৎনগদবনি হায়না খঙহনখিবা অসি চিন-কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা শাগৎলিবা জালেনঙমগী মঙলান্দা অচৌবা চৈফূ অমনি। মীফম অদুদা মণিপুরদগী সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তাল্লিবা কুকি কাঙলূপ্তুগী কারকপা বি জে পিগী এম এল এ তরেৎকী মনুংদগী নেমচা কিপগেন (কাংপোকপী), লেটজামাং হাওকিপ (হেংলেপ), ঙুরসাংলুর সনাতে (টিপাইমুখ) অমসুং এল এম খৌতে (চুড়াচান্দপুর) হায়রিবশিং অসিসু শরুক য়াখি।

বি জে পি এম এল এশিংগী য়াম্না মরু ওইবা মীফম অসিদা পার্টি হায় কম্মান্দগী মায়কৈদগী খঙহনখিবা অহকপা ৱাফম অমদি -- "মীয়ামগী মীহুৎশিংনা মাগী-মাগী ফূরুপকী ওর্গনাইজেশনশিংগী প্রেসরদা চৎলোইদবনি" হায়বা অসিনি। তম্পাক্কী এম এল এশিংগী ওইনদি মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ফিরেপ অসিদা মশাগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেশনশিংগা চপ মান্ননা লেপমিন্নরি। দেল্লীনা শান্নবা মমায় অনী লোঙবা লমহুইলৌশিংগী লীলানা মণিপুরী খুন্নাইবু খাবৈ-খারা শানা ওৎখায়রকপদা এম এল এশিংনা করিসু তৌরুবা ঙমদনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈবা তারবসু টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিগী মতাংদদি মখোয় পূন্নমক মীয়ামগী মায়কৈদা লেপ্পী হায়বা য়াই। অদুম ওইনমক হন্দক পাঙথোকখিবা বি জে পিগী নেশনল লিদরশিংনা কৌবা মীফম অসিদা কুকি-জোগী এম এল এ মরিনা মীতৈ এম এল এশিংগা পূন্না শরুক য়ামিন্নখিবা অদু কুকি হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (কে ঐচ আর সী) না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মফমদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশনদগী নাথৈদুনা চত্তনবা ৱার্নিং তৌরি অমসুং মণিপুরদা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্বদা কুকিশিংনা কৈদৌনুংদা শরুক য়ারোই হায়রি। কুকি এম এল এ তরানা মণিপুর এসেমব্লিদগী রিজাইন তৌগদবনি অমসুং মখোয়না কুকি মীয়ামগী ইহুল খঙনা চৎকদবনি হায়নসু কে ঐচ আর সীনা খঙহল্লক্লি।

মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপকী নৎত্রগা কাঙলূপ্তা য়ুম্ফম ওইবা মচেৎ-মকাই তাবগী লান অসি ঙসিদি, মণিপুরদা শীংচেপ ওইনা শীজিন্নরিবা কুকি-জো ফূরুপ্পু মচোই-মচোই তাহনবগী মায়ওন অমদা তপ্না-তপ্না চঙশিল্লক্লি। থৌওং অসিবু ঐখোয়না অঙকপা ফেনোমেনা অমা ওইনা লৌদে, মরমদি তোখাই তানীংবগী অকনবা ঈরাং লৈবা ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক লমদমদা দিভাইদ এন্দ রুলগী টেক্নিক শীজিন্নদুনা নম্ফুদা লৈবাক ঙাকই হায়বসি পুৱারীনা ময়েক লারবা খুদম ওইদুনা লাক্লি। নারোন্দা ইনশিন্দুনা হাৎন-শুনহল্লগা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী ৱাফমদা পাউথোংফম ওইদুনা সিফাই তেঙ্গোল-তেঙ্গোলগী মতেংনা মরা তপ্পগী ফীভম হঞ্জিনহল্লি, মসি পূন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। কুকিশিংনা মীতৈশিংবু নেশনল হায়ৱেদা চৎপা থিংবা, চুড়াচান্দপুরদগী, কাংপোকপীদগী অমসুং তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা চীংখোঙ-চীংয়াদগী অৱা-লান লাকপগী মতৌগুম্না য়ূম মৈ থাদুনা তাল্লকপদা পল্লোন তরেৎ কোয়শিন্দুনা লৈরিবা সিফাইশিংবু তূমিন্না য়েংদুনা লৈহল্লগা, হৌজিক্লা এম এল এশিংবু দেল্লীদা কৌদুনা নেশনল হায়ৱেদা মহৌশাগুম্না মী চৎপা য়াহল্লু নৎত্রবদি অনৌবা লৈঙাক শেম্লোই হায়বা বি জে পি সেন্ট্রেল লিদরশিপকী ৱাফম অসিদি পীক্লবা অমসুং লায়রবা মণিপুরগী এম এল এশিংদা য়ারনি মতাগুম্না হেক্তা পঙহায় হায়বীরকপা মাল্লি।

কনাগী খুজিন-থৌরাংদগী কুকি এম এল এশিংনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীফম য়াওবা লাকপা ঙমহনখিদে, মীতৈ অমসুং কুকি মীচমশিংবু কনাগী তেংবাঙ অমদি থৌইনশিন্না আই দি পি ওইহনখি, ষ্টেট পুলিস ফোর্সনা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা করম্বা ওথোরিটিনা অথিংবা থমখি অমসুং ঈরাং হৌরকপা মতমদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদগী ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনবা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী ওথোরিটি অদু করিগীদমক্তা খঙহৌদনা লৌথোকখিবনো হায়বনচিংবা ৱাহং কয়ামরুমগী পাউখুম অদু থিজিন্নীংঙাই ওই। মণিপুরদি য়ু পি অমসুং বিহারগুম্না পার্লিয়ামেন্টতা এম পি মশীং য়াম্না থাগৎপা ঙম্বা, মীখলগী পোলিটিক্সতা য়াম্না মরু ওইবা ষ্টেট অমা নত্তে। অদুম ওইনমক ষ্টেট অসি হীরম খূদীংমক্তা মিপাল তাংবা, দেল্লীগী মতেং য়াওদ্রবদি হিংবা ঙমদবা লমদম অমনি হায়বগুম্না পঙতৌ তৌবা অসিদি পূক্নীং নুংঙাইনীংঙাই ওইদে।

মীতৈ অমসুং কুকি এম এল এশিংনা খূৎশম্নমা হোৎনমিন্নদুনা মণিপুরদা মহৌশাগুম্না মরা তপ্পগী ফীভম হঞ্জিনহন্নবা হোৎনগদবনি, মদু ঙমদ্রিবফাওবদি ষ্টেট অসিদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্বগী ৱাফম লৈতে, মদুগী মহুত্তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা তৌবগী মতৌগুম্না চহী ৭-৮ পি আর থম্লকপা য়াই হায়বা বি জে পি হায় কম্মান্দগী অহকপা য়াথং অসি মণিপুরগী ইকায়খুম্নজরবা মীয়ামগী মীহুৎশিংনা অথুবা মতমদা থবক ওইনা পাঙথোকপীরবদি লৈবাক্কী ওইনা য়াইফগনি। লুরিবদি, প্রসিদেন্ট মুরমুগী মণিপুর খোঙচৎ অমসুং বি জে পি হায় কম্মান্দনা দেল্লীদা কৌবা এম এল এশিংগী মীফম হায়রিবা থৌওং অনী অসিগী মতুংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনরিবা কুকি টেররিষ্টশিংনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তোর্ব্বুং শাবল লৈকায় তম্না বোম ৭, নোংমৈ মরূ ২০০ রোম কাপশিল্লক্তুনা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসি ঊচিদা অমুক হঞ্জিনবগী ফীভমদা লাকপা অসিনি। সেন্টরনা কুকি টেররিষ্টশিংবু থাদোক্তুনা থম্লগা এম এল এশিংদা মরা তপ্পা হঞ্জিনহল্লু হায়বসি ঊচিশিংদা হৌদোং মঙক্তা শরীক থাংউ হায়বগুম্বনি। মণিপুরদা বি জে পিগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমগনি হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদে। পি আরগী নোংঙানবা নাইদ্রবা অমম্বা অহিং অমদা মণিপুরীশিং মঙাক্লরক্কদৌরি। ●

# মণিপুরগী শক্তম অমসুং ঙমখৈগী মতাংদা ইরাবত-১

**- এল সোতিনকুমার -**

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নাগা লালহৌবশিংগা শান্তি থম্নবগীদমক সিজ ফয়ার এগ্রিমেন্টকী লমখৈ মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা পাকথোরকপদা মীয়াম্না অকনবা ঈহৌ হৌরকখিবসি শান্তি পুরক্লবগী থৌরাং অদুগীদমক নত্তে, শান্তি থম্নবা থৌরাংগী মরুম থুপ্লগা লৈরিবা মণিপুরগী মপুং ওইবা লমগী শরুক খরা গ্রেটর নাগালেন্দগী মনুং চনখিনবা চত্থরকপা শরৌ অদুগীদমকনি।

অপুনবা শক্তমদা কিহল্লক্লিবসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। ইতিহাসকী লমায় অসি কুমজা ১৯৪৭তা হাইগৎলগা য়েংবদা ঙসিগী এন এস সী এন-আই এমগী মমাঙদা লৈরম্বা নাগা লালহৌবা নাগা নেসনল কাউন্সিলনা ইন্দিয়াদগী তোখায়না তানবা ঈহৌ চত্থরকখিবদুদগী হৌখ্রে। মতম অদুদদি ইন্দিয়াগী মীয়াম্না নীংতম ঈহৌ মায় পাক্তুনা অনৌবা গনতন্ত্রদা য়ুম্ফম ওইবা রাজনিতিগী কায়াৎ অমা শাগৎনবা হোৎনরিবা লংদাইগী তাঙ্ককনি। ইন্দিয়াগী অনৌবা রাজনীতিগী শক্তম অমা শাগৎলকপগী তাঞ্জা অসিদা মণিপুরগী রাজনীতিগী শক্তম করি ওইগদগে হায়বগী য়ান্না লাংতক্লবা তাঞ্জানি। মতাং অসিদনি ঐখোয়না জননেতা ইরাবতকী ৱাখল পরিং অমসুং থৌশিলদা নাগা লালহৌনা মণিপুরগী ঙমখৈদা অকায়বা পীরক্লিবা, মদুনা মণিপুরদা ওইহল্লকপা রাজনীতিগী সমস্যা অমসুং মদুদগী কন্নবা ৱাফম অসিনা মণিপুরগী ওইরক্কদবা রাজনীতিগী শক্তমগা তৎন-থানদবা মরী অমা থম্মী হায়বসিনি।

কুমজা ১৯৪৭কী ফেব্রুৱারীদা নাগা নেসনল কাউন্সিলনা অধিবেশন্দা নাগাশিংগী লম অসি ইন্দিয়াগী ষ্টেটকী মনুং চনবা চহী ১০গী মতুংদা স্বাধিন ওইনা মশাগী ভাগ্য মশানা লেপচবা ঙম্বা অধিকার তানখি। চহীদুমক্কী ওক্টোবরদা রোখাদা ফম্বা অধিবেশন্দা নাগা ফূরুপকী লম ইন্দিয়াগী তোঙান্না লৈরবা মতুংদা নাগা হিলগী সিমানাগী মপান্দা লৈবা মাও, তাঙ্খুল, টুয়েন্সাং, ৱাকচিংগী লম অসি নাগাগী লম মনুং চন্নবা দাবী তৌদুনা মণিপুরগী মহারাজদা চে থাখি। অসুন্না মণিপুরগী ঙমখৈদা অকায়বা পীদুনা মণিপুর মীয়ামগী পুন্সিদা অকনবা চৈনা পীননবগী মরূঅদু হুনখ্রে। মাগী দাবীশিং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খন্নবিদ্রবদা নাগা নেসনল কাউন্সিলনা নবেম্বর ৪দা মাগী দাবীশিং অসি দিসেম্বর ৬তগী নাগা হিল অসি ইন্দিয়াদগী তোঙান তারগনি হায়না অলটিমেটম পীশিনখ্রে। নাগা হিলনা তশেংনা ইন্দিয়াদগী তোঙানখিবা তারবদি মদুনা মণিপুরদা ওইরক্কদবা অরুবা ফিভম অদুগী মতাংদা ইরাবতনা য়ান্না লাংতক্লরম্মী। নাগা হিলনা ইন্দিয়াদগী তোকখ্রবা মতমদা ওইরক্কদবা ফিভম অদু ইরাবতনা মখাগী অসুন্না পুথোকই-

১. বৃটিশ অমসুং অমেরিকানা মফম অসিদা মখোয়গী তুংনফম ওইখিগনি।

২. নাগা হিলগী অবস্থা অসি গারো, লুসাই, পাহারনচিংবদা মথং মথং শন্দোরক্কনি। অসিদগী চীং তম চান্ননা পুন্না লৈমিন্নবগী নুংঙাইবা মাঙখিগনি। ইন্দিয়াগী ৱাদি লম পুন্বগী অপুনবা অমসুং স্বাধিনতাগী মরক্তা বৃটিশকী বিভেদনিতিনা অসাম লমদমদা অহৌবা ওইগনি।

৩. নাগা পাহারনা ইন্দিয়া অমসুং অসামদগী তোপখ্রবদি ইন্দিয়াগা মণিপুরগা হঙ্গৎ হন্দা চৎথোক চৎশিন অমসুং মরী লৈনবদা নিংথি নুঙংঙাইরোইদৌরি।

৪. নাগা পাহারগী সিমানাদা লৈবা দিমাপুরদা অসামগা নাগা পাহারগী ঙমখৈ ওইদুনা নুঙাইনদবা অমা পোক্লকপা য়াই।

মণিপুরনা লৈরিবা লম অসি য়েংলবদি নোংপোক্তা বর্ম্মা, অকোয়বদা চীংলৈবাক, অৱাংদনা নাগাশিংনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াগা অসামগা ফাওনরিবা লম্বীদি নাগা হিলগী মরক্তনি অদুনা মণিপুরগা মপানগা ফাওনবা অমসুং পোৎচৈ পুথোক পুশিন্দদা য়ান্না খুদোংচাদবা অমা ওইরগনি। অমনা নাগা হিলনা করিগুম্বা তোকখিবা তারবদি চীং লৈবাক্তা মদুগী ঈরাং অমা লাকপা য়াই। করিগুম্বা থোক্লবদি মণিপুরী রাজনীতি অমসুং অর্থনিতিগী মায়কৈদা অকনবা চৈফু অমা লাক্কনি। মতৌ অসুন্না নাগা নেসনল কাউন্সিলগী তোঙান তাবগী ফিরেপ অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা শোকহল্লক্কদবশিং অদু ইরাবতনা য়ান্না মাঙজৌননা উরম্মী। নাগা হিলনা ইন্দিয়াদগী তোকখিদ্রবসু নাগা নেসনল কাউন্সিলদগী শমথরকপা লালহৌ অদুনা মরম ওইদুনা নেসনল হায়ৱে-৩৯ অমসুং ৫৩ অনি অসি ইতৎ-তত্তনা ব্লোকেদ তৌদুনা মণিপুরগী মীয়ান্না অর্থনিতিগী চৈনা খাঙলিবসি মীপুম খুদিংনা খঙনরি।

ইরাবতকী মীৎয়েংদা মণিপুরগী রাজনীতিগী শক্তম লেপ্পদা মীয়ামগী চাওখৎ খোঙথাং অপনবা লৈতনা থাংজিনবা ঙমগদবা অর্থনিতিগী অচেৎপা য়ুম্ফম শেমগদবা ফিরেপ অমা লৌগদবনি। অদুগুম্বা অর্থনিতিগী য়ুম্ফম অদুদি বৃটিশ সাম্রাজবাদগী মায়োক্তা হৌখিবা নীংতম লানফমদা শাগৎখিবা এক্তা অদুনা য়ুম্ফম ওইরগা শেমখিবা ইন্দিয়াগী মনুংদা য়াওশিল্লগা শাগৎপা ঙমগনি খল্লম্মী। মণিপুরবু ইন্দিয়াদগী খায়দোকপনা মণিপুরগী মীয়ান্না মতম কুইনদগী মঙ মঙজরক্লিবা শিক্ষাগী মঙাল পুরক্তুনা অর্থনিতিগী লমদা চাওখৎপা মণিপুর অমা পুরক্লবা আশা অদু থুংহনবা ঙম্লোই হায়না চেৎনা থাজরম্মী।

তাং ৫-৪-১৯৪৬ ইংদা নিখিল মণিপুরী মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মণ্ডল শুপ্না ফম্বা সভাগী ৬ শুবা ৱারেপ অসি য়েংসি।

৬ শুবা (ক) প্র: কুপলেন্দ প্লান মতুংইন্না ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক সিমান্ত প্রদেশ (নোর্থ ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র প্রোভিন্স) শেমগনি হায়রিবা অদুগী মনুংদা মণিপুরসু য়াওগনি হায়রি, হায়রিবা অসি ইন্দিয়াগী অমাঙবনি, অসামদগী মাগী শরুক খরা খায়দোকপনি। মীখা পোন্দুনা লৈরিবা চাওখৎত্রিবা অমসুং মাগী ফংফম থোকপা ফংদ্রিবা চীংগী লমদম অমসুং মণিপুরবু মতম কুইনা নমথদুনা থমগে হায়বগী থৌরাংনি। হায়রিবা প্লান অমসুং থৌরাং অসি সভা অসিনা প্রতিবাদ তৌরি।

(খ) সভা অসিনা লেপ্পদি ইন্দিয়ানা স্বাধিন ফংলগা স্বাধিন ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরসু মশা ঙাকচবা মাগী শিক্ষা, সংস্কৃতি, অর্থনিতি, রাজনিতিক্লচিংবা চাওখৎনবা হোৎনজবা ঙম্বা অমসুং চীংগী ইচিন-ইনাও, মুস্লিম ইচিন-ইনাও পুন্নমক্কী চপ মান্নবা অধিকার লৈবা, স্বাধিন মণিপুর রাজ্য ওইনা লৈবা মণিপুরগী মনাক কাছারনচিংবদা লৈবা মণিপুরীশিংনা পাল্লবদি মখোয়না লৈবা লম অদু ফাওবা হায়রিবা স্বাধিন মণিপুর রাজ্যগী সিমানা মনুং চন্না লৈবা। অদুম্মক স্বাধিন মণিপুর রাজ্য অদুনা করম্বা প্রদেশতা লৈগদগে নৎত্রগা তোপ্পা লৈগদ্রা হায়বনচিংবা লৈবাক্লা পাম্বা মতুংইন্না ওইবা।

মসিগী মমাং খরা চৎখৎনা জননেতা ইরাবতনা প্রমান তৌদুনা কাছার জিলা কৃষক সভা মণিপুরগী রাজনিতিগী শক্তমগী মতাংদা মখাগী দাবী অসি তৌখি-

ইন্দিয়ানা স্বাধিন ফংলবা প্রদেশ খুদিংনা শমন মখুত্তা ফংলবদা নিংথৌ পানবা লৈপাক মণিপুর অসি মণিপুরীনা নন্না লৈবা মশাগী লোন, সংস্কৃতি অতৈ জাতিদগী অতৈ পুমতোপ তোপ্পী অদুনা মণিপুরগী তাইনবা মণিপুরীনা নন্না লৈবা কছারগী নোংপোক থংবা শরুকমখৈ মণিপুরগী মনুং চন্না থম্বীয়ু অদুগা মানা প্রমান অমদা তিনবা অমসুং তোপ্পা লৈজবগীদি গনতন্ত্রগী কাঙলোন মতুংইন্না প্রজানা লেপ্পা মতুংইন্না থম্বীয়ু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাও, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## হে হৌদোং! লাইমা ইকায় খঙদেদা!

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লাইমা ইকায় খঙদেদা! হৌদোংগী লীচৎ, য়োংগী তাৎ, ইকায় খঙদবগী হীদাক লৈতে মতিক তশেং-তশেংনা ওপন সেক্রেট ওইর'মক্তদা কান্নখিদ্রবা প্রোক্সি ৱারগী নুংশিৎ অমুক হন্না কাঙলক্লি। কৈদৌবীগে হায়বনো? মীয়ামদি মীচম্লি, খূৎলায়সু পায়জদে। লৈঙাক্কীদি মখল মথেলগী খূৎলায় পায়বা লাম্মী মশীং খঙদনা লৈ হায়বা খঙজে। হঞ্জিন-হঞ্জিন মরাল লৈতবশিং ওৎপা শুক্লেপ লেপত্রিবসিবু করি অরোনবা এজেন্দা লৈবনো? চীন্দনা মীচম মীয়াম ঙাক শেন্নবা আর্মিশিং থাজিল্লকপনি হায়রগা তৌথোরকপদনা মীচমদা লান তারক্লিবা কুকি নার্কো টেররিষ্টকা থকমিন-চামিন্নদুনা লৈরে। কেম্প মক্তদগী মীতৈ মীচম ফাদুনা পুখিবদা, মফম খঙদনা মাঙহনখিবদা ইন্দিয়ান আর্মিনা থৌওইবীদ্রে, মরী লৈনবা লৈঙাক্লসু তৌফম থোকপা তৌবীদ্রে, সিগী লৈঙাক খুঙাকসিবু করম্বা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা চত্থরিবগে? মণিপুর ষ্টেটসিবু বলিগী হামেং ঙাক্তনা পানবা লৈঙাক্লনে?

ঙায়োক চফুগুম্বদা মপান থোকপা ঙমহন্দনা চহী অহুম ফানিংচিৎ থম্বীবদা ৱারে কৌবদা হায়দ্রবনি খল্লিরা? মীরৈহৎ কুকিগী খূৎতা মীতৈ ইমা-ইপা, ইচিন-ইনাও, অঙাং-নুপী তোরা তুনা হাৎলসু কপ্তে খল্লিরা? ইন্দিয়া লৈঙাক্লা ওপন সেক্রেটতা কুকিগী মীচং চংলিদু খঙদে-উদে খল্লিরা? তৌনু অঙম্বশিং, পেনমল্লক্তবদি খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লান্থোকখ্রদি অঙম তান্নদুনা সিভিল ৱার থোকখিবসু য়াই। মীয়াম মখল অমত্তগী লান পামদে, পাংদবগী ৱাসু নত্তে। অচুম অরানগী খলদু মতম মাঙহন্দনা কাঙলোন কায়দনা শীজিন্নবীয়ু। হায়জৈ মতিক, ৱাকৎলি মতিক নাপল কাদুনা লৈনু। হূইগী মথৌ গধাদা শীন্নদুনা দিল্লে টেক্সিস শীজিন্নগনু। য়োংগী তলয়েন লোইনমক ৱাখল তান্নরবনি।

লানসিগী মায়কৈ খিত্তং মায়োন চুম্লক্লে খনবগা অচৌবা ৱাথোক-লান্থোক অমা হেক্তা লোয়চেন্নরক্লিবসিসু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দর্টি পোলিটিক্সকী খুদোলনি খঙই। খঙনা-খঙনা চহী অহুম শুদৌরে মীতৈসু কৈসু তৌদে। তৌরোই খন্না তৌদবদি নত্তে, পাম্বৈ লৈতবনি, মখোঙ মখূৎ ককথৎপীরবা নোংশানা করি তৌবা ঙমগনি। লেম্নদি তোক্লোই, মতম ঙাইখিনি। থাশি অহিংদা সুম ওইরোই, নোংমদি পূর্ণিমা ওইরক্কনি। নুঙগা য়েৎমগা কাউননীংদদুনা খা চিক্লা খাঙলিবনি। মীতৈ মীখা পোন্না হিংবা হৈনরক্তে হায়বসি ইন্দিয়ানা খঙদ্রসু নুমিৎ তাবা লৈতে হায়নরিবা অংগ্রেজশিংনদি মমুৎ তানা খঙবনি।

ষ্টেট অমগী চীংগী শরুক্লা দেল্লী লৈঙাক্কী, তমগী শরুক্লা ষ্টেট লৈঙাক্কী হায়না শায়েন-ঙায়েন্নরিসিবু মপা কনাগী কন্সটিট্যুশনদা য়াওবগে? ষ্টেটসিদা প্রসিদেন্টস রুল (পি আর) চৎনরে হায়সিবু ইকায়খুম্নরিবী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু খঙলিজাৎলা? হন্দক মণিপুরদা কোয়রক্লম্বদা হংহৌদেদা। প্রসিদেন্টকী লৈঙাক লৈরে হায়রগা পি এম - ঐচ এমনা কুশি রাসি তৌমনবসিদা মখোয়সিবু প্রসিদেন্টতগী হেন্না চাউবা ফমসু পায়বজাৎলা? খঙদ্রে হূইগা গধাগা মথৌ তোঙান তোঙান্নবনি। গধানা হুই, হুইনা গধা ওনবা য়াদে। **অদোমগী - লাই বিমোল**

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২৮গী ৱাহং**

১) "খৃষ্টমাস লোইবগা" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "ঐহাক অঙাং ওইরিঙৈদগী লাইরিক পাবা য়াম্না পামজরকই। ঐহাক লুহোংলবা মতুং মণিপুর থাদোক্তুনা দেল্লীদা লাক্লবা মতুংদসু কৈদৌনুংদা পাবা তোকখিদে।"
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ৱাহৈ খরদং হায়বদুদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং ইয়ু।

৩) "সনা অপাইবী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "শ্রীকৃষ্ণ লীলা" (শ্রীমদ্ভাগবত দশমস্কন্ধগী অহানবা শরুক) (২০১০) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৫) "ঐগী খুঙ্গং
মশম-মনা ইচোৎ-চোৎনা মঙ্গারকপী অমগুম উরি
লৌবুক-লমহাঙ, হৈপাল-লৈপাল, উচেক-ৱায়া,
উনাগী খাংপোকশিং,
মখোয় ঙম্নমক মৌনব্রত তৌরিমালে।"
শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমগী শৈরেংগী লাইরিক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।